ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) না শীন্দুনা লম্ফেলদা লৈবা আই এম এ ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা পব্লিক কনভেন্সনদা মৈরা পায়বী লুচিংবী অমনা ৱা ঙাঙবা

লামায় ১

চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা চকপীকারোং পুলিস ষ্টেসনদগী খা নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ১২ চৎলগা লৈবা গোভোক্তা পোপি পাক শন্না থারম্বদগী পুলিসনা য়াম্থৎখিবা

লামায় ৩

মালোম তুলিহল মখাদা লৈবা ব্রিল্লিয়ন্স স্কুলগী এন্যুএল দে সেলেব্রেসনদা স্পোর্টস অমসুং লিটরেরি মীটকী মকোক-মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখিবা

লামায় ৪

মণিপুর লেজিস-লেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ য়াওনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ষ্টেট অসিগী অহানবা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস মোল রিবন কক্তুনা হাংদোকখিবা

লামায় ৩

Vol. 43, Issue No.242 | থাংজ, পোইনুগী ৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, November 30, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## সঙাই ফেষ্টিভেল দিসেম্বর ২ ফাওবা শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯(ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না হৌখিবা নবেম্বর ২৪দগী হৌদুনা চৎথরক্লিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল অসি হয়েং লোইশিনগনি হায়না তৌরম্বা অদু লাক্লিবা দিসেম্বর ২ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি।

## HL Poll

Q: Manipur leingakna Sangai Festival 2019 December 2 faoba sangdoknaba lourakliba firep ashi achumba khongthangni khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur leingakna paikhatliba Nambul river rejuvenation and conservation project ashi mai pakkani haibagi thajaba leibra?

Yes 23% No 77%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | 2414478 |
| J.N. Hospital | 2450385 |
| DG Control | 2450100 |
| **FIRE SERVICE** | |
| Imphal | 101 |
| Moirang | 8415925197 |
| Churachandpur | 8415925191 |
| Thoubal | 8415925203 |
| Kakching | 8415925194 |
| Jiribam | 8415925193 |
| Mayang Imphal | 8415925196 |
| Bishnupur | 8415925190 |
| Moreh | 8415925198 |
| Kangpokpi | 8415925195 |
| Ukhrul | 8415925205 |
| Senapati | 8415925199 |
| Chandel | 8415925192 |
| Singhat | 8415925201 |
| Sugnu | 8415925202 |
| Yairipok | 8415925206 |

## ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৬ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| **IMPHAL → AGARTALA** | |
| Air Asia (India) | 15:50 |
| **IMPHAL → DELHI** | |
| Air Asia (India) | 13:45 |
| IndiGO | 14:30 |
| **IMPHAL → GUWAHATI** | |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:15 |
| IndiGO | 14:15 |
| Air India | 14:20 |
| **IMPHAL → KOLKATA** | |
| IndiGO | 10:50 |
| Air India | 13:25 |
| Air India | 15:00 |
| IndiGO | 15:20 |
| Air India | 16:45 |

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.932187 |
| US Dollar | 71.739635 |
| British Pound | 92.528076 |
| Australian Dollar | 48.626431 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.214544 |
| Japanese Yen | 0.654848 |
| Malaysian Ringgit | 17.177157 |
| Australian Dollar | 48.626431 |
| Singapore Dollar | 52.502405 |
| South Korean Won | 0.060833 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.130569 |
| Thai Baht | 2.373901 |
| Myanmar Kyat | 0.04764 |
| Bangladesh Taka | 0.84581 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 38780.75 |
| Mumbai | – | Rs | 39572.19 |
| Delhi | – | Rs | 39572.19 |
| Kolkata | – | Rs | 39828.88 |

## অস! লোইরেহে!

- হাকুম ঐনা ইমাগী নিংথম থাগী শুপ্পবা কম্বল ঐনা লৈবনি, কুমশি নঙনা লৈগদবনি...!

- ꯍꯥꯀꯨꯝ ꯑꯩꯅꯥ ꯏꯃꯥꯒꯤ ꯅꯤꯡꯊꯝ ꯊꯥꯒꯤ ꯁꯨꯞꯄꯕꯥ ꯀꯝꯕꯜ ꯑꯩꯅꯥ ꯂꯩꯕꯅꯤ, ꯀꯨꯝꯁꯤ ꯅꯪꯅꯥ ꯂꯩꯒꯗꯕꯅꯤ...!



- হাকুম লৈবদু নঙনা নৎতে ঐননি, ঐদি লৈবা ঙম্লোই...!

- ꯍꯥꯀꯨꯝ ꯂꯩꯕꯗꯨ ꯅꯪꯅꯥ ꯅꯠꯇꯦ ꯑꯩꯅꯅꯤ, ꯑꯩꯗꯤ ꯂꯩꯕꯥ ꯉꯝꯂꯣꯏ...!

# পুৱারীদা অহানবা ওইনা মৈতৈ চেঙ কে জি অমদা লুপা ৫২ য়ৌরে, হেন্নসু তাঙখৎলকখিগদৌরি

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): চাক্লা নম্মা চাবা মীয়াম্মা মশীং য়াম্না লৈরিবা মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মৈতৈ চেঙ কিলোগ্রাম (কেজি) ১দা লুপা ৫২ য়ৌরে। মৈতৈ চেঙগী মমল অসি হেন্নসু তাঙখৎলকখিগদৌরি।

মৈতৈ চেঙ কেজি ১দা লুপা ৫০ দগী ৫২ ফাওবগী চাংদা য়ৌরকপা অসিনা চেঙ ৱাল্লগা চারিবা লমদম অসিগী লায়রবা মীয়ামদি খম থেংনা অৱাবা হায়বদু মায়োক্লরি। নোংমা-নোংমগী শূ-নোল্লগা ফংলকপা শেল খরনা চেঙ ৱান্দুনা ইমুং-মনুং পুরিবশিং অমদি লন্নাই থবক তৌবা লৌ উদবা মীওইশিংনা চেঙ ৱান্নবা হোৎনবদা থেংনবা অৱাবশিংগী মতাংদা খোল্লাউ কয়া লাউবা হৌনরক্লে। অদুবু লুশিল্লক্লিবদি চহী অসিগী ওইনা ফৌ লোকপা হৌনরবসু মৈতৈ চেঙগী মমলদি হেনগৎলকপা নৎতনা হন্থরকপগী মতৌ উবা ফংদ্রি।

হৌখিবা থা খরগী মমাংদা মৈতৈ চেঙ কেজি ১দা লুপা ৩৫ তগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা ফংলম্মী। হৌখিবা চহীদগী হৌনা মৈতৈ চেঙগী মমল লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকখিবা অসিনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে হায়বগী খোল্লাউ কয়া মীয়াম্না লাউবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংবগী ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখিবা লৈখ্রবনি।

পাউচে অসিনা ইম্ফাল মনুং অমদি লম্লোং কৈথেলদা চেঙ য়োল্লিবা দুকানশিংগী মপুশিংগা উনরুবদা লম্লোং কৈথেলদা চহী তরাদগী হেন্না চেঙ য়োন্দুনা লাক্লবা মুতুম অনিতানা ফোঙদোরকখিবদা চেঙ ৱানবা লাকপা মীওইশিংনা মৈতৈ চেঙ কেজিদা লুপা ৫২ য়ৌরে হায়বদা মখোয়গী মায়থোংদা অৱাবা উবদা য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওই। মৈতৈ চেঙ য়োল্লবসু ঐখোয়সু মৈতৈ চেঙ ৱাল্লগা চাবা হায়বদু ওইরিবনিনা চেঙ তাঙখৎলকপদা থেংনরিবা অৱাবশিং খঙই। লমদমসিদগী পুথোকপা ফৌগী পোৎথোক ৱাৎলকপনা চহী খুদিংগী চেঙ তাঙখৎলকপা হায়বদু ওইরি। অদুবু হন্দক চহীসু লৌগী মতমদা নোং মতম চানা তাখিদবনা চেঙগী মমল হন্থরকপগী মমি উবা ফংদে, হেন্নদুম তাঙখৎলকক্ড্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। মৈতৈ চেঙনি হায়নরিবা ধরম, অয়াংলৈমা অমদি হোমোন্নচিংবা চেঙগী মমল চাউরাক্লা মান্নরপ তৌনা লুপা অমা/অনী খেন্ননা য়োন্নরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

নাগামপালদা চেঙগী দুকান ফম্বী নুপী অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না চহী-চহীগী লৌ য়ৈনরকপা মতম অসি চেঙগী মমল হন্থনরিবনি। অদুবু হন্দক চহীদদি হন্থরকপগী মহুৎ হেন্নদুম তাঙখৎলকপা হায়বদু ওইরি। লৌমীশিংনা লৌ উনরকপদা নোং নীংথিনা তাদবনা লৌ ফজনা উবা ঙমদবা মতমদা লৈঙাক্লা মতিক চাবা মতেং পাংদবা অমদি ফংফম থোকপা সবসিদি ফংদবনা লৌ শিবা য়াওরবসু লৌমীশিংনা অমুক হন্না লৌ উবা ঙমখিদবা মরম কয়া অসিনা ফৌগী পোৎথোক ৱাৎলক্তুনা চেঙগী মমল হেনগৎলকপনি। অদুবু অঙকপা অমনা চেঙগী মমল ৱাংখৎলক্লিবমখৈ দুকানশিংদা চেঙ য়োনগে হায়না লাকপা মীওইশিংগী মশীং হেনগৎলকই। কনাগুম্বা ইনাকখুনবা, শেল য়াম্না পায়বা মীওইশিংনা ফৌ য়াম্না

...মখা লামায় ৩ কলম ১

# ঈশিং টেঙ্কি-টেঙ্কি লৈদুনা লৌ উখিবা লৌফম কয়াদি ফৌ নীংথিনা পান্দুনা লোক্লবা য়াওরে

## লৌ শঙম অমগা লৌখায়দা মৈতৈ ফৌ ফৌবোৎ ৩৫ রোম থোকপা থেংনরে

**বিজয় লাইশ্রম**

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্লা ইথৈ-লৌখোং নীংথিনা শেম্বীদবা অমদি চহী অসিদা নোং মতম চানা তাখিদবনা মরম ওইরগা ঈশিং ফংদবদগী লৌফম কয়াদা লৌ উবা য়ানখিদ্রবসু লন্নাই মীওই কয়ানা অহেনবা চাদিং তৌরগা ঈশিং টেঙ্কি-টেঙ্কি লৈদুনা লৌ উখিবা লৌফম কয়াদি ফৌ নীংথিনা পান্দুনা লোক্লবা য়াওরে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা অৱাং-খুনৌদা ঈশিং লৈরগা লৌ উখিবা লৌ শঙম অমগা লৌখায়দা মৈতৈ ফৌ ফৌবোৎ ৩৫ রোম থোল্লক্লম্বা পাউচে অসিনা থেংনরে।

চহী অসিদা কুমগী নোং মতম চানা চুখিদবনা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা লৌফম কয়াদা ফৌ হুন্দুনা ইঞ্চি ৪/৫ রোম ৱাংনা হৌনরক্লবা মতমদা ঈশিং ফংদদুনা ফৌ অয়াম্বা শিনখি। মফম খরদা মপূং ফানা হৌনখিবা কয়াসু ঈশিং ৱাৎপদগী ফৌ নীংথিনা পানবা ঙম্নখিদে। খরা কুৎপা লৌফম অমদি ঈশিং মরাং কায়না ফংখিবা লৌফমশিংদদি ফৌ নীংথিনা পান্দুনা অয়াম্বা লোক্লরে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা ইথৈ-লৌখোং নীংথিনা লৈতবা অৱাং খুনৌদা ঈশিং লৈরগা লৌ উখিবা ৱাইখোম রাজেন কৌবা লৌমী অমগা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা মহাক্লা হায়খি, চহী অসিদা কুমগী নোং মতম চানা চুখিদবনা অৱাং খুনৌগী অতোংবা মফমদা লৈবা লৌফমশিংদা ঈশিং লৈতবদগী লৌ হুনবা য়াদদুনা লৈখি। অদুবু কুমগী লৌ হুন্দবদি য়াদবনিনা ঈশিং টেঙ্কি লৈবগী মথক্তা ট্রকতা ত্রিপান থারগা ঈশিং পুরক্তুনা লৌবূক্তা হৈথরবা মতুং ফৌদি হুন্নখি। লৌহোন অদু মপূং ফানা হৌহন্নবগীদমক মথৌ তারকপা মতমদা লৌবূক্তা ঈশিং থাজিনখি। ফৌ পান্বীশিং অদু নীংথিনা হৌরক্লবা মতুং লিংথোক্লমদায় মতমদসু নোং তাবগী চাং ৱাৎপদগী লৌবূক্তা ঈশিং লৈতদুনা অৱাবা কয়া থেংনখি। জুলাই থাগী অরোইবা চয়োলদা ঈশিং টেঙ্কি-টেঙ্কি লৈদুনা লৌবূক্তা হৈথরগা ঈশিং তুংহল্লবা মতুংদা লৌ লিংখি। লৌ লিংবা মতুং নুমীৎ খরনি লৈরগা লৌ খুৎলোন্দুনা ফৌ পান্বীশিং অদু নীংথিনা হৌরকখি। লৌফম অদুদা ঈশিং কংনা থম্বা য়াদবনা লৌবূক্তা লৈক্রক মচা-মচা চৎপা হেক উবগা ঈশিং লৈদুনা হৈথখি। অসুম্না য়াম্না ৱানা হোৎনরকপনা ফৌ পান্বীশিং অদু পোমশাৎনরকপা মতমদা ৱাজমলগী মহয় খরদি চাবা ফংদোরে খল্লুবদা পুক্লিংদা ৱারম্বা খরদি হন্থখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, ফৌ পোল্লম্বশিং অদু মপূং

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# দিসেম্বর ১৮ দগী এসেমব্লী কৌনবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে

## তুংজোইগী দিস্প্যুট সেট্‌ল তৌনবা কম্মিটি শেম্বা হায়নসু লেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ৯শুবা সেসন দিসেম্বর ১৮ দগী হৌনবা কেবিনেট মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসি নুংথিল চীফ মিনিষ্টরগী কেবিনেট সেক্রেটরিয়টতা চীফ মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌদুনা ফমখিবা কেবিনেট মীফম লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবদা লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় ওইরিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী ৯ শুবা সেসন দিসেম্বর ১৮ দা ফম্নবা লেপ্পখ্রে। মীফম অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিং খন্নগনি। জুকো ভেল্লি অমদি তুংজোই মায়কৈদা নাগালেন্দগা ইন্টর ভিলেজ দিস্প্যুটকী ৱাফম লাকপগী ফীভম লৈরি। মমাঙদসু হোর্নবিল ফেষ্টিভেলদা তুংজোইরোমদা করিগুম্বা খরা শাজিল্লকই হায়বগী চয়েৎনবা লৈখি। মখা লামায় ৩ কলম ২

# মীয়ামগী মুভমেন্ট মখা তানা চখনবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস): কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি) না শীন্দুনা ঙসি আই এম এ ওদিটোরিয়ম লম্ফেলপাৎতা পাঙথোকখিবা পব্লিক কনভেন্সননা মণিপুরগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি প্রোটেক্ট তৌনবগীদমক মীয়ামগী মুভমেন্ট মখা তানা চঙশিন্নবা ৱারেপ য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

প্রোফেসর দল্লিয়ু নবকুমারনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

**ইঙুদম কান্তা মৈতৈ**
**শগোলবন্দ**

মণিপুর কায়দনবা লৈঙাক, সিভিল ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীয়াম্না লেপ্পা লৈতনা তোঙান-তোঙানবা খোঙজং কয়া হৌখিবা চহী ২০ লোম অসিদা চত্থদুনা লাক্লি। অদুবু চীং-তম অনীবু তোখায়-তোখায়না উহল্লিবা এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট শেমদোক্তুনা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবশিং অমত্তনি হায়বগী ৱাখল্লোলনা মাঙ থাদুনা চঙশিনমিন্নরবদি লমদমসিদা লৈরিবা মরুওইবা ইস্যুশিং লোইশিনবদা অমদি ৱারোই পুরকপদা অৱাবা ওইরোই হায়না খল্লি।

**জিবন অঙোম**
**ফেয়েং অৱাং লৈকায়**

মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ঈরাং অসি লৈহন্দবা য়াবা ঈরাংনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈঙাক অসিনা চিন্দনা লমদম অসিগী মীয়ামগা চৎমিন্নসি হায়না লাউরবসু তৌথোরকপা থবক্তি মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা ওইনা তৌই। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা ইস্যুশিং অসি লোইশিন্ননবা লৈঙাক্লা য়াম্না মুন্না খন্থবিবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা লৈঙাক্লা তশেংনা লৈবাক মীয়ামগা হেক পূন্না চৎমিন্নবা হৌরকপা মতমদা লমদম অসিদা থোক্লিবা মখল-মখা কয়াগী ৱাথোক-লান্থোকশিং অসি শোয়দনা হন্থরক্লনি থাজে।

**অনন্দ খুন্দ্রাকপম**
**লাইরেঞ্জম মেকোলা**

মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা ইস্যু অসি য়াম্না লুবনা লায়থোক্লবা থোক্লবদি তুংগী মীরোলনা ঙসিগী মীরোলবু ফনা শোন্নহৌরোরোই। সী এস ওশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি থাগৎলি। লৈঙাক্লা মীয়ামদা থাজবীয়ু-থাজবীয়ু হায়না লাউরগা মীয়াম্না থাজগদবা নত্তে, তৌথোরকপা থবক্তুনা থাজ-গদৌরিবনি। লৈবাক কায়রবদি সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক করি লৈরি? লৈবাক মীয়ামগী অৱাবশিং কোকহনগনি হায়না মপি-মপা ওইখিবদুগী চপ চাবা থৌদাং পাঙথোকপীয়ু।

অদোমগী মরুওইবা কমেন্টশিং ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com দা থাবিরকউ।

BOOK ONLINE TODAY
BEST & AFFORDABLE CAB SERVICES IN MANIPUR
MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE
For Booking
Dial:
1800-345-3838
8258070746
9402267525
TRACK YOUR RIDE IN REAL TIME. KNOW HOW FAR YOUR RIDE IS.
DOWNLOAD 100% FREE APP
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor
HL-P/4095/9/10-8/11

Incredible India
MANIPUR TOURISM
MANIPUR SANGAI FESTIVAL
24 Nov - 2 Dec 2019
GOOD THINGS MUST GO ON
The Festival, on popular demand, has been extended for two more days
CLOSING CEREMONY ON
Monday, 2nd December 2019
www.manipurtourism.gov.in
www.sangaifestival.gov.in
Fluorescence Communications Pvt. Ltd
HL-B/5844/30